# ‘অথিংবা লৌথোকপীয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: স্কাই হোস্পিটালবু মতম চুপ্পগী ওইনা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী অকনবা বোমগী লাল চত্থবা হৌরগনি হায়না কে সী পি(এম জি সী)না ফোঙদোরক্লিবা অসি মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদনি হায়না শিংবুং য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি ৱাই তোম্বনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীরক্তা বোম পোকখায়হনবা, বোম লংশিনবা হায়বসি মীয়াম্বু অকি-তুজুংবা পোকহনবনি। স্কাই হোস্পিটাল অসিদা মীওই কয়ানা ইমুং-মনুং পুনরিবা, মচা-মশু কয়াগী মী ওইবা ঙম্নবা হোৎনবদা লৈত-লাইরবা মীওই কয়া থবক শুফম-নোম্ফম খঙদনা লৈরম্বা মীওইশিংসু অথিংবা থম্বীরিবা হোস্পিটাল অসিদা থবক তৌজদুনা হিংনবা লম্বী ওইরিবনি। মপান্দা লায়েংবা চৎপা ঙমদবা হার্টকী লায়না নাবা মীওই কয়া অমসু হৌজিক হৌজিক হোস্পিটাল অসিদা লায়েংলিবনি। মরম অদুনা স্কাই হোস্পিটাল অসিদা অথিংবা থল্লিবা অসি লৌথোকপীয়ু।

# ঈশৈ চাংদম্নগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: পদ্মশ্রী নবকিশ্বর চেরিটেবল ট্রষ্ট (প্লানেক), শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফালনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দা এল জি রোজ গার্দেন, য়ুরেম্বমদা১৪রক শুবা পাউরৌ পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইবা মণিপুর ষ্টেট ওপন শোং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না প্লানেককী জেনরেল সেক্রেটরি লোংজম লোকেন্দ্রোনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোক্ক-দৌরিবা চাংদম্নবা অসি চুম্মী হায়না লৌবীব্রা? লাল্লি হায়না লৌবীব্রা হায়রিবা লাইরিক অদুদগী লৌ-থোক্তুনা শকপা ঈশৈ ওইগদবনি। চাংদম্নবা অসি পদ্মশ্রী নবকিশ্বরগী চহী ৮০ শুরকপা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা চহী ১৪ শুরকপা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা কম্পিটিসননি। কম্পিটিসন অসিগী অকুপ্পা ৱারোল পোলো গ্রাউন্দ মনিংদা লৈবা সত্য বুক হাউস নৎত্রগা মোবাইল ফোন নম্বর ৮৫৭৫২৩৫৪৮০ অমসুং ৯৮৫৬৯৯৯৮৫৩দগী খঙবা য়াগনি।

# চাংদম্নবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: রিসেন্ট য়ুথ ক্লব (আর ৱাই সী), মোইদাংপোক, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ৭লক শুবা লময়ানবা হিজম ইরাবত নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবদা কোন্থৌজম এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসন কয়া ক্লব অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে হায়না আর ৱাই সীগী সেক্রেটরি অঙোম মোমোনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লোক সভাগী এম পি, ডা. থোকচোম মৈন্য, আর ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট এল প্রিতম, কোন্থৌজম এ সীগী এম এল এ, কে সরত, মোইদাংপোক জি পিগী প্রধান থোকচোম গম্ভির অমসুং মোইদাংপোক জি পিগী ৱার্দ মেম্বর সী ঐচ নিংথেমনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা লুপা লিশিং ৩, লুপা লিশিং ২ অমসুং লুপা লিশিং ১গা লোয়ননা সর্টিফিকেট অমসুং কন্সোলেসন প্রাইজশিং পীদুনা মহৈরোয়শিং পুক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

# নীংশিং থৌরম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মরস এসোসিএসন (অম্পফা)গী মতম শাংনা ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ওজা জয় নোংমাইথেম লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন থৌরম অম্পফা অমসুং অম্পফাগী কম্পোনেন্ট ওর্গনাই-জেসনশিংগা খুৎশম্নরগা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা কৈশাম্পাৎতা লৈবা অম্পফা, ময়ায় লোয়শঙগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না অম্পফাগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঈ মঙ্গিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোক-খিবা থৌরম অদুদা অম্পফাগী প্রসি-দেন্ট, এল ধনা লুৱাংনা থৌরম মপু ওইখি অমসুং অম্পফাগী সেক্রেটরি জেনরেল দব্লিয়ু ইনাওনা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা তিনখিবা মীওইশিংনা লৈখিদ্রবগী ফোটোদা লৈ-শু কৎলবা মতুংদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নাবা উৎখি। ওজা জয় নোংমাইথেম অম্পফাগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্লতা নৎতনা এমসু, কাদা, নুপী সমাজগী এদভাইজর ওইনা মীয়াম্বু লমজিং লমতাক্লম্বা মীয়ামগী থবক তৌরম্বা মীশক্লি। ওজা জয়না লৈখিদবসি অম্পফাগী মাঙজবখক নৎতনা খুন্নাইসিগীসু মাঙজবা অমনি হায়রি।

HL-P/9641/28,30 Sept & 2 Oct

# ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ ওল্ডর পার্সন লূপ কয়ানা শীন্দুনা মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচ এন এস):

মালেমগী মফম কয়াদা ঙসি ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ ওল্ডর পার্সন, ২০১৬গী থৌরম পাঙথোক্লবগুম মণিপুরগী মফম কয়াদা তোঙানবা-তোঙানবা লূপশিংনা শীন্দুনা পাঙথোক্লুখ্রে।

সিনিয়র সিটিজেনস’ ফোরম, ইম্ফালনা শীন্দুনা ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ ওল্ডর পার্সন্স, ২০১৬কী থৌরম ইম্ফালগী ব্রহ্মপুর নহাবমদা লৈবা ধর্মলায়া হোলদা পাঙথোক্তুনা অহল ওইরবশিং অমসুং নেসনল এৱার্দিশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরম অদু ইম্ফাল ইষ্টতগী খনগৎলবা চহী ৯০শুবা অহল১৪দা খুদোলপোৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। অহলশিং অদুনা ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী য়াম্বেম থাবল (৯৬) অমসুং সরাংথেম ইবোতোন (৯৫), অন্দ্রো এ সীদগী চিঙাখম ওংবী মোটোলৈ (৯৫) অমসুং সলাম গৌরহরি (৯১), য়াইস্কুল এ সীদগী ৱাঙ্খেমযুম ওংবী ভানু (৯৫) অমসুং তখেলচংবম ঙানবা শর্ম (৯৪), হৈঙাং এ সীদগী ৱারিবম পুর্ণিমাশি (৯৩) অমসুং থিংবাইজম কুল্লচন্দ্র, ৱাঙ্খে এ সীদগী ইরোম তম্পাক্লৈ (৯১) অমসুং ঙাংবম গম্ভির (৯১), খুরাই এ সীদগী হাওরোংবম রমণি (৯২) অমসুং হাওবিজম সহদেব (৯২) অমসুং থোংজু এ সীদগী মোইরাংথেম অহনবী (৯০) অমসুং নান্দেবম ইবোবী (৯১)নি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টতগী তোঙান-তোঙানবা লমদা নেসনল এৱার্দ ফংলক্লবা মীওই ৫দা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবা নেসনল এৱার্দিশিং অদুনা নেসনল ফিল্ম এৱার্দ, ২০১৫দা স্বার্না কমল এৱার্দ ফোর বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক ফংলকখ্রবা মেঘচন্দ্র কোংবম, দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসী, ন্যু দিল্লিনা পীবা নেসনল এৱার্দ টু টিচরস, ২০১২ ফংলকখ্রবা চিঙাংবম নিশিকান্ত, ইন্দিয়া গবর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমনা পীবা নেসনল টুরিজম এৱার্দ, ২০১৪-১৫, মোষ্ট ইন্নোভেটিব টুর ওপরেটর ফংলকখ্রবা পাঙম্বম কুঞ্জবিহারি, সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লিনা ‘তোর্ব্বানদুদা’ কৌবা লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী য়ুব পুরুস্কার ফোর ২০১৬ ফংলকখ্রবা চোংথাম দীপু অমসুং সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লিনা ‘ইশুশা পুপু ৱারী লীরগে’ কৌবা লাইরিক্তা বাল সাহিত্য পুরুস্কার, ২০১৫ ফংলকখ্রবা থোকচোম থৌয়াংবনি।

ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট রিটায়র্দ আই এ এস, সী ঐচ বিরেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুন্নাই অসিদা সিনিয়র সিটিজেনস’ ফোরম, ইম্ফাল ইষ্টনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা চহী খুদিংগী অহল ওইরবশিংবু ইকায় খুম্নবগী থৌরম অসি পাঙথোকই হায়খি। রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াট্রিগী প্রোফেসর ডা. আর কে লেনিননা অহল ওইরবশিংগী মেন্টেল ইস্যুশিংগী মতাংদা থৌরমদুদা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, ওথোরিটি অসিনা ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ ওল্ডর পার্সনসকী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পুরানা রাজবারি, নোংমৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর ৱিমেন’স এসোসিএসনগী কমপ্লেক্সতা মফম অদুগী অহল ওইরবা মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চাইল্দ ৱেলফেয়র কমিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রপার্সন থিয়াম রাজকেশোর অমসুং লীগেল এইদ কাউন্সেল, ইম্ফাল ৱেষ্ট কৈশাম ধনেনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

ন্যু এজ প্রোগ্রেসিব ফার্মরস ক্লবকী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ ওল্ডর পার্সনসগী থৌরম অমা লূপ অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈশাংথেম জি পিগী মেম্বর এম দি অব্দুল লাতিপনা অথোইবা লেংবিরকপা, খেকমন জি পিগী প্রধান এ সুবোলনা থৌরম মপু অমসুং খেকমনগী উপ-প্রধান এম দি অটিকুর রহমাননা ইকায়খুম্নরিবা লেংবিরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চহী ৮০গী মথক্তা লৈবা অহল ২১দা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি থকশি-খাশি ঙাকপা অমসুং অহল ওইরবশিংবু লুনা তৌবিদুনা মপুক্লিং নুংঙাইনা পুন্সি লেলহনবনি হায়রি।

পাইওনিয়র হেল্ঠ ক্লব, মণিপুর, খুরাইগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মণিহারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, ঙসি ক্লব অসিনা নেতা ক্লব, কংলা শঙ্গোমশঙ, ইম্ফাল ইষ্টকা পূন্না শীন্দুনা মালেমগী অহলশিংগী নুমিৎকী থৌরম ৬শুবা ওইনা কংলা শঙ্গোমশঙদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা প্রধান দব্লিয়ু রানিবলা, উপ-প্রধান টি ঐচ সেলুংবা, পি ঐচ সী এমগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মণিহার অমসুং পি ঐচ সী এমগী সেক্রেটরি কে সনাজাওবনা ফম্পাক্কী লৈতেং ওইনা শরুক য়াখি। লাইশ্রম রামচরন অমসুং ডা. এল কেশরতচন্দ্রনা থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখি। হন্দক চহীগী থিমদি অহল্লোনশিংবু মীরাইবগী ৱাখল্লোল থাদোকসি হায়বসিনা ওইখি।

# এন্যুএল ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: ষ্টেট হেলঠ মিসন (এন ঐচ এম), মণিপুর অমসুং ব্লদ বেঙ্ক ওথোরিটি ওফ জেনিমস, ইম্ফালগা সী আর পি এফ, মণিপুর রিজনগা খুৎশম্নদুনা শীল্লিগা এন্যুএল ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি কোম্পোজিট হোস্পিটাল, সী আর পি এফ, ইম্ফালদা সী আর পি এফ ওফিসেস অমসুং মণিপুর রিজনগী য়ুনিটশিংগী পার্সোনেলশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্পোজিৎ হোস্পিটাল, সী আর পি এফ, ইম্ফালগী দি আই জি (মেদ.)এস এ জি/মেদ. সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. আর বি দাসনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদু মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর ওফ সী আর পি এফ, লাংজিং, ইম্ফালগী আই জি পি কে বিজয় কুমারনা অথোইবা লেংবিরকপা ওইদুনা হৌদোকখি। বিক্রম সহগল, দি আই জি পি, জি সী, সী আর পি এফ, মণিপুর অমসুং ব্রিজেশ প্রতাপ সিংহ, দি আই জি পি (ওপস), কোহিমা, সী আর পি এফনা ইকায়খুম্নরিবা লেংবিরকপশিং ওইনা থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

দি আই জি পি (মেদিকেল) এস এ জী অমসুং কম্পোজিৎ হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. আর বি দাসনা থৌরমদুদা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরদুনা ব্লদ দোনেসন তৌবগী কানবশিংগী মতাংদা ব্লদ দোনরশিংদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আই/সী ব্লদ বেঙ্ক, জেনিমস, ইম্ফালগী এম ও, ডা. কে সুর্জিৎ অমসুং ব্লদ বেঙ্ক, জেনিমস, ইম্ফালগী প্রোফ. ডা. গীতচন্দ্রসু শরুক য়াদুনা হীরমসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

# এম এস এফপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাঙ্খম প্রাইমারী স্কুলগী চাউখৎপা, অওনবা পুরক্লবগী পান্দম অমা ওইনা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না লমদম অসিগী চমজরবা মীওইশিংবু হৌদোকপিদুনা এদ্যুকেসন মঙাল অহেনবা পীদবা য়াদে হায়দুনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না য়ং ষ্টুদেন্টস মোদেল ক্লব, পোল ষ্টার ক্লব, তাঙ্খম মখা লৈকায় শেমগৎপা নুপী লূপ অমসুং ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, তাঙ্খম মনিং লৈকায়গী পুন্না প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিগী অমত্তং ঙাইরবা তাঙ্খম প্রাইমারী স্কুল অসিবু চাউখৎতবা য়াদে, মসিদা নৎতনা ইরমদম অসিবু অওনবা অহোংবা পুরক্লবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা এম এস এফকী একাদেমীক কেম্পেইনগী মনুং চন্না চঙশিল্লক্লিবা অসিদা তাঙ্খম মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা লূপ অহুম অসিনা এম এস এফপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী শোত্থনা লাক্লবা তাঙ্খম প্রাইমারী স্কুল অসিবু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হন্না য়েংবিদনা লাকখি। অদুবু এম এস এফনা অনৌবা লম্বী অমা ওইনা লমদম অসি খক্তা নৎতনা ইরমদম ইমাগী তুংগী হৌরক্লিবা য়ুম্বীশিংবু কদাইদা করি শোইখিগদগে হায়দুনা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা এম এস এফনা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। ঙসি খক্তা নৎতনা মতম পুম্বদা এম এস এফপু মতম শাংনা লৈবাক্কী, মীয়ামগী তুংগী চঙশিল্লকপা খোঙথাং খুদিং মায় পাকপা ওইরসনু অমসুং মতম পুম্বদা মাঙ থানা চৎপা ওইরসনু হায়না লূপশিং অসিনসু মপু মাঙোন্দা থৌনিজরি হায়রি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২১গী নুংথিল পুং২.৩০ তাবদা এম এস এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম মেক্সনা অথোইবা লেংবিরকপা ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা তাঙ্খম মমাঙ লৈকায়, মনিং লৈকায়গী ক্লব অমসুং ক্লব অনী অসিগী মৈরা পায়বী অমসুং লমদম অসিগী খুঞ্জাশিংনা অমত্তা ওইনা লৌখিবা ৱারেপ অদু মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা থারগনি। মসিদা থবক ওইনা ওন্থোকপিরক্কনি হায়নসু খঞ্জে। করিগুম্বা থবক ওইনা ওন্থোরক্তবা তারবদি মরী লৈনবা ওটোরিটিশিংগী মথক্তা তাঙ্খম মীয়ামগা লোয়ননা লমদমসিগী এদ্যুকেসনবু অহোংবা পুরক্লবা পুরক্লবা হোৎনজরিবা মীওইশিংগা লোয়ননা বোইটোটনচিংবা তৌগনি হায়রি।

# নেফসিনা শীন্দুনা দিল্লিদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচ এন এস):

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা নোর্থ-ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টর্নেস্নেল সোলিদরিটি (নেফিস)না শীন্দুনা ‘অফস্পা এন্দ পিপল’স ৱার্ক হায়বা হীরম অসিদী সেমিনার অমা ঙরাং দিল্লি স্কুল ওফ সোসল ৱার্কতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নেফিসকী কনভিনর চীংলেন খুমুকচমনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরদুনা লমদমসিদা অশেংবা দেমোক্রেটিক, মীয়ামগী ঈহৌ খুমাঙ চাউশিন্নবা লময়ানবা ইরাবতকী হোৎনরম্বা অদু খঙজিনবা মথৌ তাই অমসং এন্টি-অফস্পা মুভমেন্ট অসি মখা তানা হেন্না পাকথোক-চাউথোক্লব-গীদমক সেমিনার অসি শীনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ইরোম চনু শর্মিলানা মহাক্না চরা হেনবা তোক্লবা মতুং মণিপুরগী মপালদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ অমগী গ্রাউন্দৱার্ক অমগী মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না চহী ১৬ মতম শাংনা চরা হেল্লকপদু তোক্লবা হন্দক লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা শক্লাইরবা ৱিমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট ডা.ময়া যোন, প্রোফেসর নন্দিনি সুন্দরসু ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা মণিপুরদগী মহৈরোয়শিংদা নৎতনা ইরোম শর্মিলা চনুবু উনবা পামজবা অৱাং-নোংপোক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা মহৈরোয় কয়া অমনা শরুক য়াখি হায়রি।

# লাময়ানবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম লূপ কয়ানা শীন্দুনা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী উরুপ অরাপ্তিদা লৈবা ক্লব/ওগর্নাইজেসন/এসোসিএসন ১৪গী অপুনবা লূপ অমা ওইরিবা উরুপ-অরাপ্তি দিভলপমেন্ট কো-ওদিনেটিং কমিটি (য়ু এ দি সী ও সী), মণিপুরনা শীন্দুনা মীয়ামগী লমজিংবা হিজম ইরাবতকী ১২০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম লূপ অসিগী মেম্বর ক্লব ওইরিবা য়ুথ দিভলপমেন্ট পাইওনিয়র ওর্গনাইজেসন (ৱাই দি পি ও), অরাপ্তি হৈয়িং মখোঙ, ইম্ফাল ইষ্টকী গ্রাউন্দদা ঙরাং অয়ুক পুং ৭ তাবদা পঙথোকখ্রে হায়না য়ু এ দি সী ও সী, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ইঙোচানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেন্দর্দ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, মুতুম ফিবৌগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৬তগী হৌদুনা ঙরাং ফাওবা মুতুম ফিবৌগী অকোয়বদী এসোসিএসন অসিনা ইরাবত দে সেলিব্রেসনগী মরী লৈননা লম-তু শেংবগী থবক পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা লময়ানবা ইরাবতকী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। লময়ানবা অসিবু নীংশিংবা ওইনা মুতুম ফিবৌগী অকোয়বদা নুমিদাংদা মৈরা কৎতুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখ্রে।

অরাপ্তি মমাঙ লৈকায় য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, ঙরাং অয়ুক পুং ৭ তাবদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী চহী ১২০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা অরাপ্তি মমাঙ লৈকায় য়ুথ ক্লবকী লীচিং মখাদা ক্লব অসিগী এরিয়াদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা শেলগী তেংবাং পীবিরম্বগীদমক ক্লব অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

শম্বে য়ুথ ক্লবকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এলাংবম ভুমেশ্বরনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, ঙরাং ১২০শুবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ক্লব অসিনা শীন্দুনা খুঙ্গং অসিবু লু-নান্না থম্নবগী পান্দমদা সোসল সার্ভিস কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। সোসল সার্ভিস কেম্প অদুগা মরী লৈননা রিমসকী দেন্টেল দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ফ্রী দেন্টেল কেম্প অমসু পাঙথোক্তুনা মীওই ৩৫০ রোম লায়েংদুনা লেম্না হীদাক-লাংথক য়েন্থোকপগা লোয়ননা খুঙ্গংগী অকোয়বদা উ চারা কয়াসু থাখ্রে।

বামোন লৈকায় য়ুথ ক্লব, য়াইরিপোক্কী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, ঙরাং ক্লব অসিনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২০শুবা মপোক নমিৎকী থৌরম ক্লবসিগী গ্রাউন্দদা মখল-মথেলগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্লবসিগী এক্স প্রসিদেন্ট কৈশাম গুনমণিনা অথোইবা লেংবিরকপা, ক্লবসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট রাঘুবির থিয়ামনা থৌরম মপু অমসুং ক্লবসিগী এক্স প্রসিদেন্ট লোইতাম রাজেন, চীফ সিক্যুরিটি ওফিসর, রিমস লোংজম মহিন্দ্র, এক্স প্রসিদেন্ট উশম নিরমান কুমার অমসুং লোকল লিদর তখেল্লম্বম পিশকনা ইকায়খুম্নরিবা লেংবিরক-পশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ইরাবতগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাঙখি। লাইরিক-লাইশু হৈরবা মহৈরোয়শিংদা খুদোলপোৎ কয়া য়েন্থোকখি। মহৈরোয়শিংগী পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকপগা লোয়ননা নুমিদাংদা মৈগী কুম্মৈগা অমসুং কলচরেল প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা থৌরম অদু লোইশিনখি হায়নসু চেরোল অসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ফ্রী কোচিং হৌরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: হৌখিবা কুমজা ২০১৪দীগ চহী খুদিংগী চত্থরকপা ঐচ এস এল সী ইগজাম এপিয়ারিং ষ্টুদেন্টস ফোর ক্লাস টেন বোসেমগী পাৎশোই কনষ্টিট্যুন্সিগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা থা ৪গী ওইবা ফ্রী কোচিং অমা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইনা সোন্সর তৌদুনা লাংজিং হায় স্কুলদা ওক্টোবর ১গী অয়ুক পুং ৫দগী ৭ ফাওবা চত্থবা হৌরে হায়না স্কুল অসিগী হেদমিষ্ট্রেস এল নিরমলানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: ইরাবত নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)না লীগেল এৱ্যেরনেস অমসুং সোসল সার্ভিস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ইম্ফালগী লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে হায়না অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি বি সুপ্রিয়ানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।


চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট লীগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রমেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট মাইবম মনোজকুমার, অম্বাগী প্রসিদেন্ট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম, সিভিল জজ সিনিয়র দিভিজন, ইম্ফাল ইষ্ট দব্লিয়ু তোনেন মীতৈ, সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্ট এ নৌতুনেশ্বরি অমসুং জে এম আই সী, ইম্ফাল ৱেষ্ট-টু এ তরুনাকুমারনা ইকায় খুম্নরিবা লেংবিরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# সোটিন কুমার ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১: সাঙ্থ অফ্রিকাগী দর্বান্দদা থা অসিগী ৪দগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড ফেদরেসন ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস য়াওরুনবা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সোটিনকুমার মুম্বাইগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মালেমগী লৈবাক ১৪০ রোমদগী দেলিগেট লিশিং ৪ রোম্না শরুক য়াগদৌরিবা থৌরম অসিদা লৈবাকসিগী সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংদগী মীহুৎ ১০০গী শরুক য়ারুগনি হায়রি।


DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



**অঙৌবা পকপা :**
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিত্থবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্তা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :**
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হান্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্তা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।


DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3290/03/09-02/10



GITAM UNIVERSITY (DEEMED UNIVERSITY)
at Visakhapatnam
B.Sc. Nursing Admission Open 2016-2017
Manipur Students Admission without entrance exam
Course fees Rs. 30,000/- (per year)
Food & Accommodations Rs. 30,000/- (per year)
SPOT ADMISSION
Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
Top University in Visakhapatnam having own medical college & hospital
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8132088772, +91 9436009556, +91 9856281349
www.gitam.edu



# CROSSWORD-2203



**ACROSS**
1 Scheme (4)
3 Vindictive (8)
9 Backing (7)
10 Black and white beast (5)
11 Furious (5)
12 Equipment (6)
14 Language of Israel (6)
16 Wager (6)
19 Artist (anag) (6)
21 Rest period (5)
24 Yes, slangily (2-3)
25 Watch attentively (7)
26 Stopped (8)
27 Affirmative votes (4)

**DOWN**
1 Imitative artistic work (8)
2 Greek vowel (5)
4 Small and dainty (6)
5 Theme (5)
6 Organisation of admirers (3,4)
7 Be in front (4)
8 Cartoon spinach eater (6)
13 Devil-may-care (8)
15 Purveyor of meat (7)
17 Waylay (6)
18 In one's own house (2,4)
20 Cricket trophy (5)
22 Ahead of schedule (5)
23 Castro's land (4)

Solution 2202



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2000

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 7 | | | |
| 8 | 9 | 6 | | 2 | | | | 5 |
| 5 | | | 8 | | 3 | | | |
| 3 | | 4 | | | 8 | 1 | | 6 |
| | | | | | | | | |
| 6 | | 7 | 3 | | | 4 | | 8 |
| | | | 2 | | 1 | | | 7 |
| 2 | | | | 8 | | 3 | 4 | 1 |
| | | | 9 | | | | | |

Solution-1999

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 1 | 3 | 6 | 5 | 4 | 9 | 2 |
| 2 | 3 | 9 | 7 | 4 | 8 | 5 | 6 | 1 |
| 6 | 5 | 4 | 1 | 9 | 2 | 3 | 7 | 8 |
| 4 | 9 | 2 | 5 | 1 | 7 | 6 | 8 | 3 |
| 5 | 6 | 7 | 9 | 8 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| 3 | 1 | 8 | 6 | 2 | 4 | 9 | 5 | 7 |
| 9 | 2 | 6 | 4 | 7 | 1 | 8 | 3 | 5 |
| 1 | 8 | 5 | 2 | 3 | 6 | 7 | 4 | 9 |
| 7 | 4 | 3 | 8 | 5 | 9 | 1 | 2 | 6 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9